হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরগী ৪৮শুবা ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস):

হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টর পোরোম্পাৎ, কোংপাল লিংখৎখিবগী ৪৮শুবা মপোক কুমওন থৌরম সেন্টর অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিরেক্টোরেট ওফ আর্ট এন্দ কলচরগী ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্সকী মখাদা ঙরাংদগী হৌনা চথরকখিবা ৱর্কশোপ কম ফেষ্টিভেল ওফ পুঙ চোলোমসকী থৌরমসু লোইশিনখ্রে।

৪৮শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর অমর য়ুম্নামনা হায়খি, মণিপুরদা লৈরিবা অরিবা দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরশিংগী মনুংদা হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরসু অমনি। অসিগুম্বা সেন্টর অমবু চহী ৪৮ মপূং ফানা চল্লাইবা অসি অরাইবা থবক নত্তে। শাংলবা চহী কয়া অসিদা সেন্টর অসিনা লমদম অসিগী আর্ট এন্দ কলচর চাউখৎনবা হোৎনবদা লৌরক্লিবা থৌদাংশিং থাগৎনিংঙাই ওই হায়খি।

গেষ্ট ওফ ওনরগী ৱারোল পীরদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ দান্স এন্দ ম্যুজিককী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট প্রো. পি গুনিন্দ্রনা হায়খি, হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরনা ঙসি ফাওবদা লমদম অসিদগী তোঙান-তোঙানবা আর্ট ফোর্ম কয়াগী আর্টিষ্ট কয়া লেপ্পা লৈতনা পুথোক্লি। লাক্লিবা চহী কয়াদসু সেন্টর অসিনা লমদম অসিবু মশক তাকপা ঙম্বা অফবা আর্টিষ্ট কয়া পুথোরকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবসু লৈ হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরগী সেক্রেটরি এন হরিমতিনা হায়, চহী ৪৮ মপূং ফারক্লবা সেন্টর অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবা হোল অমা লৈবা ঙমদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা সেন্টর অসিনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। সেন্টর অসিদগী মমিং লৈরবা আর্টিষ্ট কয়া পুথোকখ্রে। সেন্টর অসিদগী চহী ৩গী কোর্স লোইরবা অমদি ক্লাস ত্বেল্ভ পাস তৌরবা মীওই অমনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা বি এ দান্স তম্বা য়াই। সেন্টর অসিনা হোৎনরকপগী মতুংইন্না ঙসিদি মণিপুরগী খ্বাইদগী চাওবা মহৈলোইশঙ ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা রিকগ্নাইজ তৌবীবা অসি সেন্টর অসিগী ওইনদি লাইবক ফবনি হায়খি।

থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন মনিশ্যামনসু সেন্টর অসিনা হৌজিক ফাওবদা পায়খৎলকখিবা থবক থৌরম কয়া তিল্লিবা মীয়ামদা খঙহনখিবগা লোয়ননা সেন্টর অসিদগী থোকখিবা মহৈরোয়শিংনা পূক্নিং চঙনা হোৎনদুনা তুংদা মতীক চাবা মী ওইবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা সেন্টর অসিগী সেক্রেটরি নাওরেম হরিমতিনা ইবা মণিপুরী খূবাক ঈশৈ (মণিপুরী ক্লেপ্পিং সোং)গী ইংলিশ এদিসন অমা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো. অমর য়ুম্নামনা ফোঙখিবগা লোয়ননা সেন্টর অসিগী আর্টিষ্টশিংনা অনৌবা ওইনা পুথোকপা ম্যুজিক ফ্যুজন অমদি খূবাক ঈশৈ (মন্দিলা) চোলোম, খূবাক ঈশৈ চোলোম, পুঙ চোলোম অমদি কর্টাল চোলোমনচিংবা কয়া উৎখি।

য়াইবীলেন চিলড্রেন হোমদা মতেং পাংলকখিবশিং থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

তোকপম জিনেশ অমদি ইমুং-মনুংনা য়াইবীলেন চিলড্রেন হোমদা অচা-অথক খুৎশিন্নখিবা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস):

ইম্ফল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবীলেন চিলড্রেন হোমদা লন্নাই মীওই কয়া অমদি লূপ কয়ানা মতেং পীদুনা চিলড্রেন হোম অসিদা লৈরিবা অঙাংশিংগীদমক হোৎনরিবশিং অদুবু য়াইবীলেন চিলড্রেন হোম মেনেজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গোই পিবানা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা য়াইবীলেন চিলড্রেন হোম মেনেজিং কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা, মীয়ামগী মতেং খক্তনা হিংজ রিবা হোমশিংগী অঙাংশিংবু নুংশিবীদুনা মতেং পীরক্লিবা পূম্নমক্কী মফমদা হোমসিদা লৈরিবা অঙাংশিং অমদি মেনেজিং কম্মিটিনা তৌবীমল খঙবা উৎলি। দিসেম্বর থাগী ওইনা থা অসিগী ৩দা খুরাই থোইদিংজম লৈকাইদা লৈবা য়াংলেম রবিগী মচানুপী মৃনালিনীনা চহী ২৯ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ অমা, হৱাই, বিস্কুইট, মাস্ক, সেনিটাইজর, ষ্টেসনরি আইটেমশিং অমদি শেল ওইনা লুপা ১,০০০ তেংবাং পীরমখি। নুমীৎ অসিমক্তদা কোংপাল কোংখাম লৈকাইদগী কৈশাম মনিতোম্বগী চহী ২৭ শুরকপগা মরী লৈননা অঙাংশিংবু চাকলেন পীজরম্বগা লোয়ননা কম্বল ২০ অমদি লুপা ১,০০০ পীরম্মী। থা অসিগী ৬তনা ৱাঙ্খেই তোকপম লৈকাইদগী তোকপম জিনেশ অমদি ইমুং-মনুংনা অঙাংশিংবু চাকলেন পীজখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা য়াওরকখিবশিং লাইশ্রম রত্না, ডা. সুনিল সেঞ্জম অমদি তোকপম কুঞ্জলাতানা মথংশিংনা বাশি ৩, ষ্টেসনরি আইটেমশিং অমদি লুপা ৫০০ পীরমখি। দিসেম্বর ৮দনা কৈবী মখা লৈকাইদগী নিংথৌখোংজম রাশি মৈতৈনা চেঙ বেগ ২ মতেং পীরম্মী। দিসেম্বর ৯দনা খুরাই কোন্সম লৈকাইদগী লৈখিদ্রবা কোন্সম চাওবগী মচানুপা সন্তোশ কুমারগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংদা চাকলেন পীজখি অমদি টি-শর্ট ১৪, ফেস মাস্ক, সেনিটাইজরনচিংবসু পীরমখি। নুমীৎতুমক্তদা মাই হোম ইন্দিয়া মণিপুর য়ুনিটনা লিংখৎখিবা চহী ১৫ শুরকপগী থৌরমগা মরী লৈননা চেঙ বেগ ২, খোঙউপ ১৩, মোজা ১৩, মাস্ক ১১৩, নোট বূক দজন ৬ তেংবাংলকপগা লোয়ননা অঙাংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা লূপসিগী মেম্বরশিং মথংশিংনা উরিপোক্তগী লাইশ্রম গোকুলচন্দ্র, নম্বোল অৱাং জিরিদগী লাইশ্রম রোমিও অমদি নিংথেম পুখ্রি মপালদগী এম বোরিশনা লুপা লিশিং ১/১ মতেং পীরমখি। দিসেম্বর ১১দনা পুখাও লাইফমদগী ওক্রম বোমচানা ফৌ মোন ২, দিসেম্বর ১৩দনা লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ, অহিং খোংবালনা লুপা ৫০০; কৈবী খুল্লেনদা লৈবা প্রাইমারি হেল্থ সব সেন্টরগী ষ্টাফনা কাম্বল ২০, চেঙ-হৱাই; পুখাও লৈচল বেন্দনা চাকলেন পীজবা অমদি উয়ুমপোক গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান থাংজম ইনাওচানা লুপা ৩,০০০; দিসেম্বর ১৪দনা লাইরিকয়েংবম মখা লৈকাইদগী শমজেৎশাবম পারি নোংয়াইনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমদি মাস্ক অমসুং সেনিটাইজরশিং পীরমখি।

দিসেম্বর ১৫দনা আই সী দি এস প্রোজেক্ট ইম্ফাল ইষ্ট-ৱান সওম্বুং সেক্টর ১৯গী কম্যুনিটি বেজ ইভেন্ট সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা প্রোজেক্ট অসিগী সুপরভাইজর, অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিং, হেল্পরশিং, কৈবী অৱাং লৈকাইগী অমদি তরেৎখুলগী পঞ্চায়ট মেম্বরশিংনা জেকেট ১৪, কম্বল ২, ফুটবোল ২, মনা-মশিং মতেং পীরকখি। তরেৎখুলদগী থাংজম ওকেননা লুপা ৫০০ অমসুং সুপরভাইজর আই সী দি এস-১৯ সেক্টর ইম্ফাল ইষ্ট-ৱান কুঞ্জলাতানা লুপা লিশিং ১গী তেংবাং পীরমখি হায়রি।

‘অমিট শাহগী মণিপুর খোঙচৎ চিংননিংঙাই ওই’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস):

থা অসিগী ২৭তা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরদা লাক্কদৌরিবা অসি চিংননিংঙাই ওই হায়না শীংজমৈ টু লিলোং য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (স্লুকো)না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মহাক্না মণিপুরদা লাকপগী মরম ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা স্লুকোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ২৭তা মণিপুরদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর লাক্কনি হায়না ষ্টেট লৈঙাক্না অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি। গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী পায়খৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংগী থবক পায়খৎলবসু লমদম অসিগী মীয়াম্না করি পাল্লিবগে হায়বদু খঙদবগুম তৌই। অমিট শাহগী মণিপুর খোঙচৎ অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লমদম অসিগী ঙমখৈ কায়হল্লোই হায়বগী থাজবা অদু লুচিংবা অসিদগী লৌহৌনবা হোৎনগদবনি। করিগুম্বা ৱাফম অসি অমিট শাহনা পীবা ঙমদ্রবদি মহাক্না মণিপুরদা লাকপগী ৱাহন্থোক লৈতে। মণিপুরগী মীয়াম্না মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়না চহী কয়াগী মমাংদগী খোল্লাউশিং লাউদুনা লাক্লি। হৌখিবা কুমজা ২০০১গী জুন ১৮দা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হনবা য়ারোই হায়না হৌখিবা মীয়ামগী ঈহৌ অমদা মীওই ১৮ লৈখিদবগী থৌদোক থোকখ্রে। মতম-মতমগী ওইনা সেন্টরদা পাল্লিবা লৈঙাকশিংনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হল্লোই হায়না ফোঙদোকখ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি থবক্তা ওন্থোরকপা লৈত্রি।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনসু লমদম অসিগী অপূনবা শক্তম কায়হল্লোই হায়না থেংখাং কয়াদা থাজবা পীখ্রে। লুচিংবা অনী অসিনা মীয়ামদা পীখিবা থাজবা অদু মাঙহল্লোইদবনি। মদুগী ওন্ন-তৈনবদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কনবা পাম্বা মীওইশিংদনা ৱাহে অমা, মণিপুর থুগায়বা পাম্বা মীওইশিংদনা ৱাহে অমা হায়বগী হৈনবী থাদোকপনা অফবা ওইগনি হায়রি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরদা লাক্লিবা অসিগী মরম মরী লৈনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমদি সেন্টরগী মায়কৈদগী মীয়ামদা খঙহল্লকপা লৈতে। মহাক্কী খোঙচৎ অসি অরোনবা এজেন্দা লৈরব্রা হায়না লমদম অসিগী মীয়ামদা চিংনবা পোকহল্লে। মীয়ামগী চিংনবা অসি কোকহন্নবা লৈঙাক্না পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মতম চানা পায়খৎকদবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নোহাখোলনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস):

নোংচুপ হারম খোর্জ্জৈ লূপ (নোহাখোল), য়ুরেম্বমগী অহল ওইরবা অইবা সনসম মঙ্গিনা লৈখিদবদা লূপ অসিনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মঙ্গিনা লৈখিদবগা মরী লৈননা নোংচুপ হারম খোর্জ্জৈ লূপ (নোহাখোল)না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কংলৈ খোরিরোলবু নুংশিজবা মীওই অমা ওইনা হৌরকখিবা মোংশাঙ্গৈদগী অইবা সনসম মঙ্গিনা খঙহৌদনা লৈখিদবা অসিনা লূপ অসিগী মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অৱাৎপা অমদি লৈরগনি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু লূপ অসিগী মেম্বরশিংনা শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা-চিক্লা মপূগী মনাক্তা লৈবা ওইরসনু হায়না মখা তারক্লি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

Ref :- Mutation Case No. 451/SDC/IW-L/2020

Lairenjam Angoubi Devi W/o (L) Kesho Singh of Naoremthong Khulem Leikai. -Petitioner

-Vrs-

Late Lairenjam Kesho Singh S/o (L) Ibotombi Singh of Naoremthong Khulem Leikai.

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**

23/12/2020

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার লাইরেঞ্জম কেশো সিংহ পীতা মৃত ইবোতোম্বী সিংহ সাং নাওরেমথোং খুলেম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৮-লাইরেনশজিককী অনৌবা পাট্টা নং ৩৯১ দাগ নং ১০৬৮ এরিয়া ০.৬৩০০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজরগনি।

HL-P/8338/25 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

Ref :- Mutation Case No. 452/SDC/IW-L/2020

Lairenjam Dinachandra Singh S/o (L) Kesho Singh of Naoremthong Khulem Leikai. -Petitioner

-Vrs-

Late Lairenjam Kesho Singh S/o (L) Ibotombi Singh of Uripok Naoremthong Khulem Leikai. -OP/Party

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**

23/12/2020

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার লাইরেঞ্জম কেশো সিংহ পীতা মৃত ইবোতোম্বী সিংহ সাং উরিপোক নাওরেমথোং খুলেম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৮-লাইরেনশজিককী অনৌবা পাট্টা নং ৪৫৬ দাগ নং ১৩৬১/১৪৯৫ এরিয়া ১.২৯৯৯৯ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজরগনি।

HL-P/8338/25 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

Ref :- Mutation Case No. 453/SDC/IW-L/2020

Chabungbam (N) Lairenjam (O) Gangarani Devi W/o (L) Pradip Singh of Naoremthong Khulem Leikai. -Petitioner

-Vrs-

Late Lairenjam Kesho Singh S/o (L) Ibotombi Singh of Uripok Naoremthong Khulem Leikai. -OP/Party

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**

23/12/2020

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার শ্রী লাইরেঞ্জম কেশো সিংহ পীতা মৃত ইবোতোম্বী সিংহ সাং উরিপোক নাওরেমথোং খুলেম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৮-লাইরেনশজিককী অনৌবা পাট্টা নং ২২০ দাগ নং ১৩১৬ এরিয়া ১.২৫০০০ চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজরগনি।

HL-P/8338/25 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

Ref :- Mutation Case No. 454/SDC/IW-L/2020

1. Thiyam Memma Devi D/o (L) Norendro Singh of Uripok Haobam Dewan Leikai.
2. Thiyam (N) Khundrakpam (O) Shanibala Devi W/o Kh. Jholonkhomba Singh of Thangmeiband Meishnam Leikai.

-Petitioners

-Vrs-

Late Thiyam Norendro Singh S/o (L) Mera Singh of Uripok Haobam Dewan Leikai. -OP/Party

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**

23/12/2020

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার থিয়াম নোরেন্দ্রো সিংহ পীতা মৃত মেরা সিংহ সাং উরিপোক হাওবম দেৱান লৈকাইগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৬-ফুল্লৌগী অনৌবা পাট্টা নং ২৮৭ দাগ নং ১১৮৮ এরিয়া ২.৪১০০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অনী অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজরগনি।

HL-P/8338/25 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST - PATSOI

Ref :- Mutation Case No. 519/SDC/IW(P) of 2020

Shri Chingangbam Jugeshwore Singh S/o Ch. Heramot Singh of Sagolband Heinoupok. -Petitioner

-Vrs-

Late Chingangbam Gyaneshwori Devi D/o Heramot Singh of Langjing - O.P. Party

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**

~~24th Dec., 2020~~

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ঈ:ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ১০৪-লাংজিং অচৌবাগী পাট্টা নম্বর ১৩৪ (অরিবা) ৮৩/৭০০ (অনৌবা) দাগ নম্বর ২৮৫/৯৪৬গী পোইন্ট ০.১৪৯৯৯ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদারিনি অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ০৪-০১-২০২১ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই। কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector**
HL-P/8337/25 Imphal West, Patsoi

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; YAIRIPOK

Ref :- Mutation Case No. 366/SDC/YPK/2020

Parties :-

1. Ningombam Inaobi Meitei S/o (L) Tomcha Meitei of Yairipok Malom.
2. -do- Ingocha Singh S/o (L) Budhi Singh of -do-
3. -do- Tomba Singh S/o (L) Gulap Singh of -do- - Petitioners

-Vrs-

Late Ningombam Pheijao Singh S/o (L) Chaoba of Malom. - Opp

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Yairipok, the 24th December, 2020

Under section 46(3) of MLR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১১১-লৈরোংথেল পাট্টা নং ৮০ অরিবা ১১৮ অনৌবা দাগ নং ১৯৮ এরিয়া .৮৭৫০ হেক্টর ইংখোল চাওবা অসিগী পাট্টাদার নিংঙোম্বম ফৈজাও সিংহ পীং মৃ: চাওবা সিংহ সাং মালোম (লৈরোংথেল) অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কক্থৎপীরগা পিটিস্নরশিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইংখোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অয়েৎ-চেপীশিনবীগদবনি অমদি নশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চত্থরগনি।

HL-B/6645/25 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector,** Yairipok

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER - (V)

Ref :- Mutation case no. 396/AS & SO-(V) 2020

Khandailiu Gonmei D/o Namthansin Kabui of Thanagong Village Khoupum. -Petitioner

-Vrs-

Late Namthansin Kabui S/o Riameiga Kabui of Lwanglong Khunou. -O.P.

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Dt. 23-12-2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি। মদুদি খুল নং Khoupum গী পাট্টা অনৌবা পাট্টা নং 970 দাগ নং 2242/2421 এরিয়া .02 চাওবা ইংখোলগী লম অসি পিটিস্নরনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইংখোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি। তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

HL-P/8339/25 **Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer (V)**

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER - (V)

Ref :- Mutation case no. 397/AS & SO-(V) 2020

Jinngamlung Thaimei S/o Chapanglah Thaimei of Taosimjang Nungadang Khoupum. -Petitioner

-Vrs-

Late Achung Kabui S/o Paklung Kabui of Nungadang. -O.P.

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Dt. 23-12-2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি। মদুদি খুল নং Khoupum গী পাট্টা অনৌবা পাট্টা নং 417 দাগ নং 2242/2583 এরিয়া .05 চাওবা ইংখোলগী লম অসি পিটিস্নরনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইংখোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি। তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

HL-P/8339/25 **Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer (V)**

Fax : 0385-2414625
Phone : 0385-2414539
0385-2414625
e-mail : rims@rims.edu.in
website : www.rims.edu.in

REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Government of India)
IMPHAL : MANIPUR

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ /N O T I C E

Imphal, the 24th Dec., 2020

No. B/2829/2014-RIMS/7012: RIMS, Imphal is looking for services of retired Professor/Associate Professor who have rendered services in the MCI recognized Medical College to work as Professor/Associate Professor/Consultant on Contract basis in the department of Radiodiagnosis, RIMS, Imphal.

Interested candidates may apply by submitting a neatly typed application and bio-data (along with photocopies of certificates, credentials and all other relevant documents such as Last Pay Certificate, Service Termination order etc.) addressed to the Director, RIMS, Imphal on or before 31st Dec., 2020. For full details of the Notice, please visit the institute website: www.rims.edu.in.

Sd/- A. Shanti Devi
Administrative Officer,
Regional Institute of Medical Sciences,
Imphal

HL-B/6642/25

[illegible]

S3 COACHING CENTRE
(STEP TO SURE SUCCESS)
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER

Form available for New Batch NEET 2021 (Subjects: Chemistry, Physics & Biology)
REVISION CLASS COMMENCING FROM

Class X (Both BOSEM & CBSE)
SUBJECT OFFER ARE: Science, Social Science, Math, Manipur

CLASS TIMING :
6:00 AM TO 2:00 PM
Under Strict SOP Guidelines
First Come First Serve

Class XII (Both COHSEM & CBSE)
SUBJECTS ARE: Physics, Chemistry, Biology, Mathematics

CLASS COMMENCING FROM
28th December, 2020 & 4th January, 2021

Special Featrues are :
(1) Regular Test;
(2) Perfect Student's help notes and Q & A.
(3) Well known Guest Faculties;
(4) Practical teaching method
(5) Van Services;
(6) Hostel for boys & girls

For more details Please Contact # 9856331259 / 9089770462

HL-B/6584/5/12-1/02

[illegible]

N0. 5/16/2018-MSRRDA/E-Tender/Ph-XI(B-II, 2017-18)/3RT(Pt-1)/540
RURAL ENGINEERING DEPARTMENT
MANIPUR STATE RURAL ROADS DEVELOPMENT AGENCY (MSRRDA),
4th Floor, Secured Office Complex, A.T. Line, North AOC : Imphal, Manipur
National Competitive Bidding Through e-Tendering
Dated, Imphal the 23rd December, 2020.

The Chief Engineer, RED/MSRRDA on behalf of Governor of Manipur invites percentage rate tender through e-Procurement from eligible contractors for retender of 2 bridges under Pradhan Mantri Gram Sadak Yojana (PMGSY) Phase-XI (Batch-II, 2017-18) in Manipur State.

The procurement officer is Chief Engineer, MSRRDA, Imphal; the tender details and documents shall be available online from 24-12-2020 to 28-12-2020 at https://pmgsytenders.gov.in / https://pmgsytendersman.gov.in

Bid submission start date : 24-12-2020.
Bid submission end date & time : 28-12-2020 & 03:00 P.M.
Date of opening of Technical Bid : 28-12-2020 (Time : 03:30 P.M., Venue : Conference Hall of RED/MSRRDA).
Date of opening of Financial Bid : 29-12-2020 (Time : 11:00 A.M., Venue : Conference Hall of RED/MSRRDA).

Sd/- Kh. Dheinyachandra Singh
Chief Engineer, MSRRDA

HL-B/6641/24&25

[illegible]

N0. 5/16/2018-MSRRDA/E-Tender/ B-I, 2018-19/3RT(Pt-1)/541
RURAL ENGINEERING DEPARTMENT
MANIPUR STATE RURAL ROADS DEVELOPMENT AGENCY (MSRRDA),
4th Floor, Secured Office Complex, A.T. Line, North AOC : Imphal, Manipur
National Competitive Bidding Through e-Tendering
Dated, Imphal the 23rd December, 2020.

The Chief Engineer, RED/MSRRDA on behalf of the Governor of Manipur invites Percentage Rate tender through e-Procurement from eligible contractors for retender of 1 work [1 road] of Pradhan Mantri Gram Sadak Yojana (PMGSY) Batch-I, 2018-19 in Manipur State.

The procurement officer is Chief Engineer, MSRRDA, Imphal; the tender details and documents shall be available online from 24-12-2020 to 28-12-2020 at https://pmgsytenders.gov.in / https://pmgsytendersman.gov.in

Bid submission start date : 24-12-2020.
Bid submission end date & time : 28-12-2020 & 03:00 P.M.
Date of opening of Technical Bid : 28-12-2020 (Time : 03:30 P.M., Venue : Conference Hall of RED/MSRRDA).
Date of opening of Financial Bid : 29-12-2020 (Time : 11:00 P.M., Venue : Conference Hall of RED/MSRRDA).

Sd/- Kh. Dheinyachandra Singh
Chief Engineer, MSRRDA

HL-B/6641/24&25